হিরো আই লীগ ২০২৩-২৪

নেরোকানা দেল্লী মায়থীবা পীখ্রে

অমৃটসর, নভেম্বর ২৭ (এজেন্সী): হিরো আই লীগকী ওইনা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা নেরোকানা দেল্লীবু পাঞ্জল ৪-৩দা মায়থীবা পীখ্রে।

পঞ্জাবকী নামধারি ষ্টেদিয়মদা ঙসি নেরোকা অমসুং দেল্লীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা টিম অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা হৈ-শিংবা মান্ননা শান্নবা ঙমখি। অহানবা হাফকী ওইনা নাকল অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা বোল পায়বগী চাং মান্নরবসু পাঞ্জল চনবা য়াবগী খূদোংচাবদি নেরোকাগী শান্নরোয়শিংনা হেন্না লৌবা ঙমখি। মদুনা মরম ওইরগা মেটচ অদুগী ১৬ শুবা মিনটতা নেরোকাগী তাংভা রগুইনা দেল্লীগী মায়কৈদা অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। মদুনা মরম ওইরগা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা নেরোকানা পাঞ্জল ১-০দা মাংজিল থারগা লৈবা ঙমখি।

অনীশুবা হাফকী ওইনা শান্নখিবদা দেল্লীগী শান্নরোয়শিংনা ইক্বেলাইজর ওইরিবা পাঞ্জল অদু হন্দোক্নবা য়াম্না কন্না হোৎনখি। অদুমওইনমক মেটচ অদুগী ৭৩, ৭৭ অমসুং ৭৮ শুবা মিনটতা নেরোকাগী বালৱিন্দর সিংহ, লৌরেম্বম দেভিদ অমসুং অনিকেট পাঞ্চলনা থংন-থংননা পাঞ্জল অমমম্ চনবা ঙমখিবদগী নেরোকানা পাঞ্জল ৪-০দা মাংজিল থাখি। দেল্লীগী মায়কৈদগী য়াম্না কন্না হোৎনদুনা চনশিনখিবা পাঞ্জলশিং হন্দোক্নবা অকনবা মওংদা হোৎনখি। মদুনা মরম ওইরগা মেটচ অদুগী ৮১শুবা মিনটতা অরোন্দো দা সিলভা অরুদানা পাঞ্জল অমা, ৮৫ অমসুং ৯০ শুবা মিনটতা সর্গিও বারগোজানা থংন-থংননা পাঞ্জল অনী চনবা ঙমখি। অদুমওইনমক অনীশুবা হাফকী ইঞ্জ্যুরি টাইম শান্নখিবদা দেল্লীগী মায়কৈদগী মখা তানা পাঞ্জল চনবা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু নেরোকানা পাঞ্জল ৪-৩দা থোইখিবনি।

আই লীগকী ওইনা স্রিনিধি দেকানননা পোইন্ট ১৬ ফংদুনা পোইন্ট টেবলদা খ্বাইদগী মকোক থোংনা লৈবা ঙল্লি।

সন্দে এফ সী অমসুং ভি এস এ আই মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, নভেম্বর ২৭ (ঐচ এন এস): সন্দে এফ সী মণিপুরনা শীন্দুনা আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দ লম্লোংদা পাঙথোক্লিবা অহুম্লকশুবা মাষ্টর ডা. মনাওতোন সিংহ এন্দ এম চন্দ্রশখি মেমোরিএল ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ ২০২৩গী ওইনা শান্নখিবা তোঙান-তোঙানবা মেটচশিংদা সন্দে এফ সী অমসুং ভি এস এ আই মায় পাকখ্রে। অদুগা টি বি এস এফ এ অমদি ঈ এম ভি এফ সী অমসুং য়ু ভি এস এ অমদি এফ এল এ এম দ্রো চৎখ্রে।

ঙরাং নুংথিল পুং ২.৪৫ তাবদা সন্দে এফ সী অমসুং এফ সী ইম্ফালগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা সন্দে এফ সীনা এফ সী ইম্ফালবু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীখিবনি। নাকল অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা মেটচ অদুগী ২৮শুবা মিনটতা সন্দে এফ সীগী জর্সি নম্বর ১২ কে ঐচ হেমোনা পাঞ্জল অমা চনবা ঙমখি। অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা এফ সী ইম্ফালগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমদবদগী সন্দে এফ সীনা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল ১-০দা মাংজিল থারগা লৈবা ঙমখি।

অনীশুবা হাফকী ওইনা শান্নখিবা অদুগী ওইনা ৫৮শুবা মিনটতা সন্দে এফ সীগী রোবি সোরাইসমনা মখা তানা পাঞ্জল অমগা চনবা ঙমখি। এফ সী ইম্ফালগী মায়কৈদগী কন্না হোৎনদুনা ৫৯শুবা মিনটতা টিম অসিগী জর্সি নম্বর ২ ইবোমচানা পাঞ্জল অমা হন্দোকপা ঙমখি। অদুমওইনমক মেটচ লোইবা ফাওবদা মখা তানা পাঞ্জল চনবা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু সন্দে এফ সীনা ২-১দা মায় পাকখিবনি।

অমরোমদা, নুংথিল পুং ১.২০ তাবা মতমদা ভি এস এ আই অমসুং ভি এফ সীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা ভি এস এ আইনা ভি এফ সীবু পাঞ্জল ৩-০দা লাকচনা থোইবা ঙমখ্রে।

অমরোমদা, ঈ এম ভি এফ সী অমসুং টি বি এস এফ এ পাঞ্জল ০-০দা অদুগা য়ু ভি এস এ অমসুং এফ এল এ এমনা পাঞ্জল ২-২দা দ্রো চৎখ্রে।

৮লক শুবা এম এন সী এ প্লেট টুর্নামেন্ট

ওস্কার উরিপোক অমসুং ৱাই এ সী য়াইস্কুল মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, নভেম্বর ২৭ (ঐচ এন এস): মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসননা শীন্দুনা হৌজিক-হৌজিক চথুরিবা ৮লকশুবা এম এন সী এ প্লেট টুর্নামেন্ট ২০২৩-২৪গী ওইনা শান্নখিবা তোঙান-তোঙানবা মেটচশিংদা ওস্কার উরিপোকনা এম পি এ থৌনাওজম অদুগা ৱাই এ সী য়াইস্কুলনা কে আই ৱাই সী ক্ষেত্রিগাও মায়থীবা পীখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৫৫শুবা মেটচ ওইনা মোইজিং পব্লিক গ্রাউন্দ থৌবালদা ওস্কার উরিপোক অমসুং এম পি এ থৌনাওজমগী মরক্তা শান্নখিবদা ওস্কারনা এম পি এবু য়াম্না লাকচনা রন ১২৪দা মায়থীবা পীখিবনি। মেটচ অসিগী টোস এম পি এনা ঙমদুনা হান্না ফিল্ডিং তৌনবা খনখিবদগী অহানবা ইন্নিংসতা ওস্কারনা বেটিং তৌদুনা শান্নখি। ইন্নিংস অদুগী ওইনা ওভর ৩৩ লোইবদা ওস্কারগী ৱিকেট ১০ মক তুরগা রন ১৭৫ লৌবা ঙমখি।

অনীশুবা ইন্নিংসতা এম পি এনা টার্গেট রন ১৭৬ য়ৌনবা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা অদুগী ওইনা টিম অসিগী বেটসমেনশিংনা মায়োক্নরিবা বোলরশিংগী এটেক মপূং ফানা মায়োক য়াবা ঙমখিদবদগী ওভর ২১.১ খক্তা ঙাইরিঙৈদা টিম অসিগী ৱিকেট ১০ মক আউট ওইরগা রন ৫১দগী হেন্না লৌবা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু ওস্কারনা রন ১২৪দা লাকচনা থোইখিবনি। মেটচ অসিগী মেন ওফ দি মেটচনা ওস্কারগী রিঙ্কুনা তাখি।

অমরোমদা, টুর্নামেন্ট অসিগী ৫৭শুবা মেটচ ওইনা ৱাই এ সী য়াইস্কুল অমসুং কে আই ৱাই সী ক্ষেত্রিগাওগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অমদা ৱাই এ সীনা ৱিকেট ৭তা লাকচনা কে আই ৱাই সীবু থোইখিবনি।

মেটচ অসিগী টোস ৱাই এ সীনা ঙমদুনা হান্না ফিল্ডিং তৌনবা খনখিবদগী অহানবা ইন্নিংসতা কে আই ৱাই সীনা বেটিং তৌদুনা শান্নখি। ইন্নিংস অসিগী ওইনা ওভর ২১.১ লোইবদা ৱিকেট ১০ মক তুরগা রন ৫৯দগী হেন্না লৌবা ঙমখিদে।

অমরোমদা, ৱাই এ সীনা অনীশুবা ইন্নিংসতা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা অদুগী ওইনা ওভর ১৫দা ৱিকেট ৩ তুরগা রন ৬২ লৌবা ঙমখিবদগী ৱাই এ সীনা লাকচনা ৱিকেট ৭তা কে আই ৱাই সী থোইখিবনি। মেটচ অসিগী মেন ওফ দি মেটচনা ৱাই এ সী য়াইস্কুলগী চুমথাওনা তাখি।

ꯍꯤꯔꯣ ꯑꯥꯏ ꯂꯤꯒ ꯲꯰꯲꯳-꯲꯴

ꯅꯦꯔꯣꯀꯥꯅ ꯗꯦꯜꯂꯤ ꯃꯥꯌꯊꯤꯕ ꯄꯤꯈ꯭ꯔꯦ

[illegible]

মণিপুরগী টিমনা রাজস্থানবু য়াম্না লাকচনা মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, নভেম্বর ২৭ (ঐচ এন এস): হৌজিক-হৌজিক চথুরিবা ২৮শুবা হিরো সিনিয়র নেসনল ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ ২০২৩-২৪গী ওইনা থা অসিগী ২৫দা মণিপুর অমসুং রাজস্থানগী মরক্তা শান্নখিবদা মণিপুর সিনিয়র ৱিমেন্স ফুটবোল টিমনা রাজস্থানগী টিমবু য়াম্না লাকচনা পাঞ্জল ১৫-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

গাজিয়াবাদতা থা অসিগী ২৫দা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা পাঞ্জলশিং অদু মেটচ অদুগী ৮, ২৫, ২৯, ৫১ শুবা মিনটতা এন জি বালানা মরি, ১০, ১৩, ৪২, ৮৭ শুবা মিনটতা এন প্রিয়াঙ্কানা মরি, ২২শুবা মিনটতা এন শিবানিনা অমা, ৩৯শুবা মিনটতা দাংমৈ গ্রেসনা অমা, ৪৫শুবা মিনটতা আই প্রমেশ্বরীনা অমা, ৫২শুবা মিনটতা ও দায়ানা অমা, ৬২ অমসুং ৮২ শুবা মিনটতা ও ববিতানা অনী অদুগা ৬৮ শুবা মিনটতা এল ববিনানা অমা চনখিবনি। থা অসিগী ২৯ নুংথিল পুং ১ তাবদা মণিপুর অমসুং ছটিশগরগী মরক্তা মেটচ শান্নগনি হায়না অস্ফাগী জেনরেল সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

ꯑꯔꯥꯕ ꯐꯣꯡꯗꯣꯛꯄ / অৰাবা ফোঙদোকপা

The Youths' Cultural & Welfare Organisation (YCWO), Heinoupok, Sagolband Road, Imphal West কী ফাউন্দর মেম্বর অমদি মতম শাংনা প্রসিদেন্ট অমদি সেক্রেটরিগী ফম পুবিরম্বা শ্রী সোইবম সুরেন (বিনো) সিংহনা মনুং মতম চাদনা হৌখিবা ২১/১১/২০২৩, হিয়াঙ্গৈগী ৯নি পানবা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা লৈখিদবদা ক্লব অসিগী মেম্বরশিংনা অৰাবা ফোঙদোকপগী মীফম অমা ফমদুনা লৈখিদ্রবগী মফমদা মিনিট ২ তুমিন্না লেপ্তুনা ইকাই খুম্নবা উৎখ্রে অমদি মপুগী লৈকোলদা ঈংনা-চিক্না লৈনবা থৌনীজখ্রে।

অৰাবা ফোঙদোকচরিবা ঃ-
The Youths' Cultural & Welfare Organisation (YCWO),
Heinoupok, Sagolband Road, Imphal West

HL-P/8659/28

(মীয়াম্না পাবীয়ু, নৈনবীয়ু)

‘মণিপুরগী লানগী মতাংদা মীয়ামগী ৱাফম’

অঙন্বা অমা লাকখিনি
(৩১৪)

লান নোংমৈ বোম তোপনা মীচম হাৎলগা সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেসনগী লান, কনানা সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেসনগী দিমান্দ তাল্লিবা, কনানা করিগী দিমান্দ তাল্লগা করম্বা ফূরুপ্তা লান তৌরিবা হৌজিক্তি অঙাং মচা ফাওবা খঙদবা লৈত্রে। ওন্থোকপা হায়বদুনি ঙসি হয়েং করি থোক্কনি তম্বা ঙমদবা, তেনখ্রবা পূন্সি মতেক খরা অসিদা ঐখোয় করিগী হাৎন-শুনগদৌরিবনো, করিগী ঐখোয় মীচমশিং ওৎপ-নৈবা, অৱা-চৈনা পীগদৌরিবনো, ঐখোয় শিবা নাইবা মীওই মপোক্নি করিগী শিবগী লমজেল তান্নগদৌরিবনো, ৱাখল খনবা ঙন্বা খ্বাইদগী অথোইবা ওইরিবা মীওইবা ওইনা পোক্লুবা ঐখোয় ইকায়দ্রা। ঙাইহাক্কী মীকাবা, কল্লকপা, ঐগী শোয়দ্রগা লোইরে, ঐ নুংঙাইরগা লোইরে হায়বা ৱাখল অসি হেক লৈরিমখৈ লান লোইখিরোই, লম ইঙ্খোলগীদমক্তা মী খৎনৈ, মী হাৎনৈ, ভোটকীদমক্তা মী খৎনৈ, মী হাৎনৈ, ৱাখল খনবদি ঙন্মী খন্থবদি ঙমদ্রিবা করিগীনো হে মীওইবা, হৌজিক্তি পূম্নমক মাঙমিন্নরেদো ঐখোয়, লানগী কান্নবা করিনো, নোংমৈ বোম তোপ মীনা শাবনি, মীনা কন্ট্রোল তৌগদবনি। ফজখ্রবা ৱাখল খনবা ঙন্বা মীওইবা ঐখোয়বু মরোলসু থোক্তবা থৱায়সু পান্দবা ৱাখল খনবসু ঙমদবা নোংমৈ বোম তোপনা অচূম-অরান খঙদনা মমায় চুমহল্লবা নখোয়দি নোংমৈ বোম তোপ পায়রুরনু মায়থীবা নংগনি। খ্বাইদগী অতোনবশিংনি হায়রোইদবগী মরম লৈব্রা। নোংমৈ পায়বা নখোয়গা নোংমৈ পায়বশিংগা থেংনজৌ, মীচমদা থৌনা ফবা শাদুনা মীনুংশি লৈতনা হাৎপদি নখোয়সু নোংমদি অঙন্বা অমা শোয়দনা লাক্কনি কাউগনু।

অদোমগী - থাবা নিংঙোম্বম,
থৌবাল কিয়াম সিফাই, # ৯৩৭৮১১৪৭৮৯

-----------------------

মঙদা মোন্দ্রং শান্নরুনু
(৩১৫)

সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকী লৌনম তৌবা ৱাহৈদা চিন-কুকিশিংগী ড্রিমলেন্দ কৈদৌনুংদা মঙফাওনরোই, মীতৈ মচাশিংগী হকচাংদা ঈ মরিক অমা লৈরিবমখৈ মণিপুর মচেৎ তাহল্লরোই হায়বগী থৌনা লিংজেল সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা ফজনা খঙই। সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্ট ফজনা ৱাখল তাই, অদুবু ৱাদি খঙদবা শাই, ঙাংথোক্তে, হায়দোক্তে। নাকল অমরোমদনা, চিন-কুকিশিংদা নখোয়গী দিমান্দ খন্নগনি হায়জিন্দুনা চিন-কুকিশিংনা ড্রিমলেন্দ অমগী মমঙ মঙদুনা তুল্লি। নোংমৈ মৰু বোম মচেৎনা পান্দুনা মীকপ থোক্তনা মঙলান্নদুনা শিখিবা চিন-কুকি মশীং য়াল্লে। নোংমদি শোয়দনা চিন-কুকি মীয়াম ৱাখল তারকখিগনি। সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকী মীতৈ মীয়াম লালহৌবা নমথনবা চিন-কুকি মীয়ামবু খূৎলায় ওইনা শীজিন্নবনি। চিন-কুকি-মিজোশিংনা তাল্লিবা দিমান্দ মণিপুর গভর্ণমেন্ট, সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্ট অমদি মীতৈ মীয়াম্না কৈদৌনুংদা পীথোরক্কদবা লৈত্রে। নখোয়গী ফংলরোইদৌবা মোন্দ্রং শান্নবা অদুনা নখোয়গী মীচম মীয়াম কয়াগী পূন্সি, লন মাঙ তাকহল্লে। মীচম কয়াগী পূন্সি কাং-খোং চাইহল্লে।

অদোমগী - অমোম মেঘচন্দ্র মৈতৈ,
ৱাঙু লাইফম অৱাং লৈকাই, # ৮৭৮৭৩২৫১৯৭

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST (NORTH) SEKMAI

Ref :- Mut. Case No. 270/SDC/IW(N)Sekmai of 2023

Angom Hemant Singh S/o (L) Angom Nenejao Singh of Awang Sekmai Makha Leikai - Petitioner

-Vs-

(L) Angom (O) Inaobi Devi W/o Angom Hemanta Singh of Awang Sekmai Makha Leikai - Pattadar

[illegible] / NOTICE

Sekmai, the 23rd November, 2023

Under Section 46(3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি Imphal West Tashil Village No. 28-Leikinthabi under Patta No. .... (Old) 237/463 (New) Covered by C.S. Dag No. 153/291 গী area 0.05 acres চাওবা অঙনফৌ লৌফম অসিগী পাট্টাদার অসি মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারি অসিনা নামা পানবীরো হায়দুনা SDC Sekmai গী Court তা Application থারক্লে, অমদি লৌফম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা SDC Sekmai গী কোর্টতা য়েৎলবা য়াগনি, মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই কেস মখা চথজখ্রগনি।

Sd/- Sub-Deputy Collector,
Imphal West North Sekmai

HL-P/8666/28

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, HEINGANG, IMPHAL EAST

Ref :- Mutation Case No. 445/SDC/Hng/IE of 2023

Waribam Amarjit S/o (L) W. Meino of Mantripukhri Lamlongei - Petitioner

-Versus-

(L) Waribam Meino S/o (L) W. Gopal of Mantripukhri Lamlongei - O.P.

[illegible] / NOTICE

Dated 23-11-2023

Under Section 46(3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি- ইম্ফাল ইষ্ট তহশিল খুল নং 7-Lamlongei দা লৈবা অরিবা পাট্টা নং ... অনৌবা পাট্টা নং 132, দাগ নং 278, এরিয়া .11 একর চাওবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার মৃতু: ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারি অসিদা নামা পানবীরো হায়দুনা SDC Heingang গী কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা SDC Heingang গী কোর্ট অসিদা য়েৎলবা য়াগনি। হায়রিবা মতম অসিদগী হেল্লবদি কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না মখা তাবা ৱাকৎ তাদনা কেস মখা চথদুনা নামা ওল্লগনি।

Sd/- Sub-Deputy Collector,
Heingang, Imphal East

HL-P/8667/28

[illegible]

USED VEHICLES (Petrol Auto, Alto Car, e-Rickshaw, 2 Wheeler, Activa, Dio, Pleasure...etc.) পামজৈ।

# মখল খূদিংমক্কী Used Vehicles :- 2 Wheeler (Activa, Dio, Pleasure, Jupiter, Fascino with Motorcycles... etc.) 3 Wheeler (Diesel Auto, Petrol Auto, e-rickshaw... etc.) 4 Wheeler (Cars, Alto Car, i10, i20 and Commercial Vehicles, Tractors, Van, Eco Van and Heavy Vehicles, J.C.B... etc.) শিং Exchange তৌনিংবা, য়োনবীনিংবা (Sales) অমসুং লৈবীনিংবা (Purchasing) মীওইশিংগী খূদোংচাবা লৈগনি।

EMPLOYMENT NEWS

# Office Asst. :- (H.Q. : Keishamthong, Nambol, Samurou) 2/2 পামজৈ।

# Mechanic (2/4 Wheeler) Car Wash Helper, Tyre Fitting Helper, Security, Gr-IV 2/2 পামজৈ।

N.B. লৈবা-চাবা Free ওইবগী মথক্তা থাগী Pay মতিক চানা পীগনি।

HL-B/8405/21/11-20/12

Please Contact :
L.G. Motors
Khagempalli Huidrom Leikai (H.Q.),
Imphal West with all Branches
Mobile No. : # 9366434484
# 9362775475



JCRE Skill Solutions
Celebrating a decade of Skilling

New ADMISSION

Diploma In Computer Application

Course Module
- Computer Fundamentals (CCC)
- MS-Office
- LibreOffice
- Basics of HTML

ELIGIBILITY: 12 Pass & Above
DURATION: 6 Months

TIME SLOT
06:00am - 08:00am (Kwakeithel)
03:00pm - 05:00pm (Thangmeiband)

Training Centre
Thangmeiband Meisnam Leikai ☎ 7085051125
Kwakeithel Akham Leikai ☎ 8798307379

HL-B/8409/28

ꯑꯦꯁꯤꯌꯟ ꯏꯟꯇꯔꯅꯦꯁꯅꯦꯜ ꯌꯨꯅꯤꯚꯔꯁꯤꯇꯤ
ASIAN INTERNATIONAL UNIVERSITY
ESTABLISHED UNDER SECTION 2(F) OF UGC ACT, 1956.

Approved by Pharmacy Council of India

ADMISSION OPEN

Session : 2023-24

Make your EDUCATION DREAMS COMES TRUE !!

D.PHARM
Eligibility : 10+2 with PCB/PCM
Approved by: Pharmacy Council of India
Duration : 2 Years

B.PHARM
Eligibility : 10+2 with PCB/PCM
Approved by: Pharmacy Council of India
Duration : 4 Years

LIFETIME PLACEMENT ASSISTANCE | RUNWAY START-UP SUPPORT | UP TO 50% SCHOLARSHIP

For additional information please visit us: www.aiu.edu.in

The interested candidate may fill up admission application form in office of the University in between 10:00am to 03:30pm on working days up to last week of Nov, 2023. admission to a particular course shall be offered only after confirming enrolment of minimum 15 students in the respective course.

For details kindly contact Campus: Asian International University
+ 9810301896 | 9650377736
CAMPUS: Ghari, Awang Leikai, Imphal West, Manipur-795140.

Sd./-
Admission Co-ordinator

HL-B/8291/31/10-30/11

HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



PUZZLE NO. 974

WCM Vesna Mihelic (2102) - WCM Samra Gasimova (1860)
World Youth Girls U18 Montesilvano ITA, 2023.11.14

1.e4 e6 2.d4 d5 3.exd5 exd5 4.Nf3 Bd6
5.Bd3 Ne7 6.Nc3 c6 7.Ne2 Bf5 8.Bf4 O-O
9.O-O Qc7 10.Bxd6 Qxd6 11.Ng3 Bxd3 12.Qxd3 Nd7
13.Rae1 Ng6 14.Re3 Rfe8 15.Rfe1 Rxe3 16.Qxe3 Nf6
17.h4 Re8 18. ...

QUESTION :
White to win

Puzzle 973 Solution :

30. ...Nd1+ The black knight deflects White's rook away from protecting the square c2.

Your moves:30...Nd5+

31.Rxd1 Rac2+ 32.Kb3 Bc4+ 33.Ka4 Ra2+ 34.Rxa2 Rxa2#
Pillsbury's mate
0-1

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com